FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.972765
US Dollar	73.577394
British Pound	100.021905
Australian Dollar	56.187409
Chinese Yuan Renminbi	11.259557
Japanese Yen	0.713786
Malaysian Ringgit	18.232321
Singapore Dollar	55.501726
South Korean Won	0.067272
Saudi Arabian Riyal	19.620638
Thai Baht	2.463932
Myanmar Kyat	0.05449
Bangladesh Taka	0.86796

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	49658.00
Mumbai	–	Rs	49635.00
Delhi	–	Rs	49536.00
Kolkata	–	Rs	49720.00

GAS NEWS

KHONGNANG GAS AGENCY NINGTHOUKHONG
Booking up to:12/12/2020.
Valid from: 23/11/2020.
Please Contact:
7085412119/7085411559
Time: 7:30am to 10:30 am.

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto : 20/11/2020
Valid from 11/11/20
Time 7.30 to 11am

M /S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto : 26/09/2020
Valid From 05/09/20
Stock : 306 Nos.
Home Dellivery &Booking
Contact Nos.8132036940/9366013547/8414824977/8413936705
Call Timing 8.30to 12 Noon

LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING UP TO-- 08-11-2020
VALID FROM 02-11-2020
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

Imphal lpg service
Home Delivery
Booking : 15/12/20
Summit house no. LPG ID no
Address with land mark also
digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers - 6009392991, 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING : 8:00 am to12:00 Noon
BOOKING : 19. 11.20
VALID : 14.11.20
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 7628098544
8131852580, 8787630773
9089370369
FOR ALL WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM, YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM,MONGSANGEI, LANGTHABAL, SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM, LANGOL URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING
8131942156, 7630902992, 7627968997
FOR IMPHAL EAST AREA
7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA
9612009063, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto14.2kg-09/12/2020
Valid from-08/11/2020
***19kg Available
For delivery service
Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 19/11/20
VALID FROM 04/11/20
19kg & 5kg UJJWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
KWAKEITHEL 9774616525 , 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401& 7005352782
TIMING : 08.00 to 10.30am

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO : 16/10/20
Valid from : 09/10/20
Time : 11am to 2pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

HIYANGTHANG INDANE
Booking 18-10-20
Valid : 15-10-20.
Only home del. Service.
Whatsapp no. 7085557686.
Office no. 6381538861.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Stk.-306

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 14/11/2020
BOOKING UPTO : 19/11/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM

JRONGMEI SK INDANE WANGOI
Bking upto : 3/10/20
Valid from 26/9/20.
Stk : 306
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no.6909963855/8119073029)

MANIPUR GAS SERVICE
Booking up to : 26/11/2020
Valid from 06/11/2020
Home Delivery Only....
Contact no : 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8am to12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 21-10-20
Only home delivery (within 3 days)
Contact no. 7005771527
Office no. 9774068549
Whatsapp no. 8794973019
Time 7.30 to 11.am

এন এস য়ুগী মতাংদা মরম চাদনা ঙাঙবশিংগী মথক্তা লৈঙাক্লা এক্সন লৌগদবনি : রাজেন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) :

কোনসাখুল ভিলেজনা চহী অসুক শাংনা তুমদুনা লৈরুরগা হৌজিক্তা খঙহৌদনা মকুদৌনা মমিৎ পাঙথোকপগী মরম করিগীনো নেম্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু) অসি ঙসি খক্তা খঙহৌদনা শানবা লৈঙাক্লা থৌরাং তৌখিবা নত্তে। মরম অদুনা এন এস য়ুগী মতাংদা মরম চাদনা ঙাঙলিবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌগদবনি হায়না সেঞ্জম খুনৌ এন্দ সেঞ্জম চিরাং জে ইন্ট দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি এন রাজেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, এন এস য়ু শাফম অসি কোনসাখুল খুলগা ঐখোয়গী খুলগী অহল লমনগা ষ্টেট দরবারদা কেস ওইনা থেংনরবা মতুংদা ঐখোয়গী লম ওইনা লুপা ১৩ দা লৈহৌবগী দোক্যুমেন্ট লৈরিবনি। নীংশিংবা য়াবদি কোনসাখুলগী পেনা খোঙবা খুমোন অমদি অতোপ্পা খুল্লাকপনা প্লেনটিফ ওইনা থারকপা আপীল অমদা চিরাংগী চিংঙাংবম জুলোন অমদি সেঞ্জম খুনৌগী লৈতানথেম লৈরেননা দিফেন্দেন্ট ওইখি। মদুগী ফল ওইনা কুমজা ১৯২৮ গী জন্যুৱারি ২০ দা মফম অসি ময়েক শেংনা মতম অদুগী এস আই দুনকেননা খুৎয়েক তৌদুনা সেঞ্জম খুনৌ অমদি সেঞ্জম চিরাংগী ওইনা লুপা ১৩ দা লৈদুনা মপু ওইরে হায়না রাই তাখিবনি।

খুঙ্গং অনী অসিগী লম অসি বাউন্দরি য়াওনা পীরকখিবনি। মদুগী মতুং ইন্না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মুন্না খন্নরবা মতুংদা কেবিনেট ফমদুনা মণিপুর গেজেট ফোঙখ্রবনি। অশুক শাংবা মতম অদুদা কোনসাখুলনা মখোয়গীনি হায়দ্রগা হন্দক্তা হায়রকপা অসিদি কনাগুম্বা খরনা খুৎনেক্তা শীজিন্নরকপনি হায়দবা ঙল্লোই।

নীংশিংবা য়াবদি হরাওথেলদা নৌনা কুকিখুল অসি তারকপদা তানসি হায়দুনা মতম অদুগী কোনসাখুলগী চীফ অচৌনা সেঞ্জম খুনৌ অমদি সেঞ্জম চিরাংদা দোক্যুমেন্ট পুথোক্লবা অহিং কয়া লেকখিবা অদু কাওবা য়ারোই।

করিগুম্বা মফম অসি মখোয়গী লমনি হায়না ক্লেম তৌনিংলবদি কোর্টকী খুথাংদা তৌবিয়ু। মদু নত্তনা নমফু তৌদুনা এন এস য়ুগী থবক থৌরমদা থিংগনি হায়বগী ৱাখল থাদোকপীয়ু। লো লৈ হায়বসি নীংশিংবীয়ু। করিগুম্বা মমাংদা ৱাহম্হোক লৈতনা থোকখিবা ঈরাংগুম্না ঈহৌ শাগৎলবদি মদুগী অফ ফত্তা থোরকপা কোনসাখুল ভিলেজনা পুগদবনি। মরম অদুনা য়ুম্ফম য়াওদবা চৎনবা য়ারোইদবা মওংদা থবক তৌবিগনু। মদুনা পুন্নমক্কী য়াইফবা হায়বদু ওইগনি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, করিগুম্বা এন এস য়ু অসি মণিপুরদগী হোৎদুনা অতোপ্পা ষ্টেটতা পুখিবা তারবদি মদুগী তেকচাক কোনসাখুলনা পুগদবনি। অসিগুম্বা এন এস য়ুগী মতাংদা চয়েৎনবা কয়া থোক্লিবা অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু তুমিন্না লৈশিনবীগনু।

হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর মীয়ামদা ময়েক শেংনা লৈঙাক্লা খঙহনবীনবা হোৎনবীয়ু। লোয়ননা মতুংদা কম্যুনিটি অমত্তা এন এস য়ুগী মতাংদা অয়েৎপা পীবিদনবা আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এন এল এফ ১ অমসুং এন আর এফ এমগী কাদর ৩ নোংমৈ, বোমগা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো অমদি ১৫শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ ফোর্সনা য়ু এন এল এফকী কাদর অমা নোংমৈগা কোন্ননা ফারে। অমরোমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোগী কাঙবুনা এন আর এফ এমগী নুপী কাদর অনী, নুপা অমা য়াওনা মীওই অহুম নোংমৈ অমদি বোমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজমনা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্লা হায়খি, ঙসি নুংথিল পুং ৫.২০ রোম তাবদা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো অমদি ১৫শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিম অমনা য়ারলপাৎ চীংদগী য়ু এন এল এফকী কাদর অমা ফারে। মহাক্কী মমিংনা হিজম বিনোদ কুমার এলিয়স তোম্বা (৪৩), অপোকপা ঐচ কমল কৌই। মহাক শুগনু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চাইরেল ময়াই লৈকায়গী লাক্লগা হৌজিক্লা পুংদোংবম মমাঙ লৈকায়দা লৈবনি। মহাক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী টাউন কম্মান্দর ওইনা লৈবনি। মঙোন্দগী এ কে ৫৬ রাইফল অনী, মেগজিন মরি, এ কে ৫৬কী মরু ১৪৩, এ কেগী ইম্পটি কেস ৯, নাইন এম এমগী পিষ্টোল অমা, মেগজিন অমা, মরু ১০, পোইন্ট ৩৮কী পিষ্টোল অমা, মরু ৯, ইলেক্ট্রিক সার্কুইট ৩, দ্রাইসেল বেট্টরি ২, রিমোট কন্ট্রোল দিভাইস ১, মিটর ৪ শাংবা ৱায়র য়াওনা মহাক্কী য়ুমদগী ফাগৎলে হায়রি। মহাক কুমজা ১৯৯৫দা য়ু এন এল এফকী থাবীগী খুথাংদা লূপ অসিদা য়াওখিবনি। মহাক কুমজা ১৯৯৬ তা ম্যান্মারগী চুমনু কেম্পতা থা ৩ য়ু এন এল এফকী এস এস কেপ্টেন কোইরেনগী কম্মান্দ মখাদা বেসিক মিলিটরি ট্রেনিং ফংলে। মহাক ১০শুবা বেটচকী আর্মি নম্বরনা ৩৫৭নি হায়রি।

মরকসিদা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী এন আর এফ এমগী ফারবা কাদর অহুম অদুদি শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তগী লাক্লগা হৌজিক্লা শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ থাঙ্গাপাৎতগী অহৈবম নিংঙোল ফুরাইলাকপম ওংবী মমতা (৩৭), অপোকপা পি ঐচ কিংসন শর্ম্মা, য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায়দগী ঙাসেপ্পম মোচা (৪৭), অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি নিংথেমজাও অমদি য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায়দগী নিংথৌজম নিংঙোল ঙাসেপ্পম ওংবী সুশিলা (৪৬) নি।

মখোয়দগী পোইন্ট ৩২গী পিষ্টোল ২, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৫৭, দিমান্দ লেট্টর অমা, চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ ২, মোবাইল ফোন অনী ফংলে হায়রি।

ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন অমসুং পোক্সো এক্ট

কুমজা ২০০৫দগী থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা লৌখৎপা কেসশিংগী রিপোর্ট পীরক্লবা হায় কোর্টনা দিজিপিদা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস)ঃ

হায় কোর্ট ওফ মনিপুরনা পীখিবা ওর্দর অমদা হৌখিবা কুমজা ২০০৫ তগী হৌরদুনা চৎলিবা কুমজা ২০২০ ফাওবগী চহী ১৫ গী মনুংদা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন অমসুং প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুয়েল ওফেন্স (পোক্সো) এক্ট, ২০১২ গী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেসশিংগী মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা ফেব্রুৱারী ১৬, ২০২১ দা পীখৎলক্লবা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দিজিপি), মণিপুরদা দিরেক্সন পীখ্রে।

দিরেক্সন অসি ঙরাং জষ্টিস এমভি মুরালিদরনগী বেঞ্চনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল পিটিসন নম্বর ১৪ ওফ ২০২০ লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা পীখিবনি। ক্রিমিনেল পিটিসন অসি মনিপুর লৈঙাক্কী ময়োক্তা অচুং গাংমৈ কৌবা পিটিস্নর অমনা ফাইল তৌরকখিবনি।

কোর্টনা ঙরাং পীখিবা ওর্দর অসিনা মখা তানা পীখিবা দিরেক্সনশিংগী মনুংদা ষ্টেট অসিগী ক্রাইম এগেনষ্ট ৱুমেন এন্দ চিলদ্রেনগা মরী লৈনবা কেসশিং পায়নবগীদমক পুলিস দিপার্টমেন্টতা তোঙানবা ৱিং অমা শেমদুনা থম্নবগীদমক লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎনবগীদমক লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি অমসুং দিজিপিদসু দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা নুপী অঙাংশিংগী মথক্তা চথবা ক্রাইমশিংগী কেসশিং পায়নবগীদমক পুলিস দিপার্টমেন্টতা তোঙানবা ৱিং অমা শেম্বগী ফিজিবিলিটি অমসুং নন-ফিজিবিলিটিগী মতাংদসু কোর্ট অসিদা রিপোর্ট পীরক্লবা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা কোর্টনা পীরিবা দিরেক্সনশিং অসি থবক্তা ওন্থোকপগী রিপোর্ট অমা চীফ সেক্রেটরি অমসু দিজিপি, মনিপুরনা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১৬তা পীখৎলক্লবসু খঙহনখি। লোয়ননা হায়রিবা কমপ্লাইয়েন্স রিপোর্ট অসিগীদমক মেটর অসি নুমিৎ অদুদা বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী অহানবা আইটেমদা লিষ্ট তৌনবসু কোর্টকী রেজিষ্ট্রিদা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি ক্রিমিনেল পিটিসন অসিগী লিশাং শিৎনা চথরক্লিবা ৱায়েলশিংগা মরী লৈননা পীখিবা দিরেক্সনশিংগী মতুংইন্না দিজিপি, মনিপুরগী মায়কৈদগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আইজিপি-এদমিনিষ্ট্রেসন) না কোর্ট অসিদা মে ২৫, ২০১৯দা পীরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মনিপুরদা পোক্সো এক্ট খক্তগী মখাদা কেস ৪৮৫ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়খিবনি। হায়রিবা কেসশিং অসিগী মনুংদা কেস ৩৯৬কীনা চার্জ শীট থাগৎলকখ্রে। কেস ৪২গীনা ফাইনেল রিপোর্ট ওইনা হন্দোকখ্রে অদুগা কেস ১২ না ট্রান্সফর তৌখিবগা লোয়ননা কেস ৩৫গী মতাংদনা ইনভেষ্টিগেসন চথরিবগা লোয়ননা মসিগী চার্জ শীটশিং থাগৎলক্ত্রি হায়না ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

হায়রিবা কেসশিং অসিগী ফিগরশিং অসি মনিপুরগী ওইনা মে ২৪, ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈখিবা কেসশিং অসিগী ষ্টেটসনি হায়রি। লোয়ননা নেসনেল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরো (এন সি আর বি)গী রিপোর্ট মতুংইন্না লৈবাক অসিদা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱুমেন্সকী কেসশিং লাক্ষকী মথক্তা হেনগৎলকপগা লোয়ননা মনিপুরদসু নুপী অমসুং অঙাংগী মথক্তা চথবা ক্রাইমশিংগী কেসশিং নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি হায়নসু ওর্দর অসিনা ফোঙদোকখি।

প্রোজিক্যুসননা প্রুভ তৌবা ঙমদবদগী লুখোসৈ...

লামায় ১গী মখা... কেসশিংদা মখা তানা মথৌ তাদ্রবদি খুদক্তা জেলদগী থাদোক্লবসু কোর্টনা দিরেক্সন পীখি। অমরোমদা কেস অসিগা মরী লৈননা ফাদোক পীরবা এক্যুইজ অনীগী সেন্টেন্স হিয়ারিংনা থা অসিগী ২১দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

কোর্টনা এক্যুট তৌখ্রবা হান্নগী চান্দেল ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) গী চেয়রমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌ এলিয়জ সেসৈ জৌ য়াওনা এন এ বি পুলিস ষ্টেসননা অপূনবা এক্যুইজ ১৩গী মথক্তা কেস অমা হৌখিবা কুমজা ২০১৮দা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর ৪৩ (৬) ২০১৮ অন্দর সেক্সন ২২ (বি), ২২(সী), ২১(সী), ২৫, ২৯, ৬০ (৩) নি। অদুগা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথরবা মতুংদা কোর্টতা থাগৎলকখিবা চার্জশিটকী মতুংইন্না এক্যুইজশিং অসিগী মথক্তা কোকনাইজেন্স লৌরকপদা অপূনবা এক্যুইজ ১৩গী মনুংদগী মরি কেস অসিদগী দিসচার্জ তৌখিবনি। এক্যুইজনি হায়দুনা চার্জ তৌরম্বদগী দিসচার্জ তৌখ্রবা মীওইশিং অদুনা মোরেগী হোম গার্দ ভেঙ (ৱার্দ নম্বর ১) দগী জমখোহাও (২৮) অপোকপা জামথোং, মিনলাল মাটে (২২) অপোকপা জমথাং মাটে, মোরে ৱার্দ নম্বর থ্রী ফাইচম ভেঙ, মোরে ৱার্দ নম্বর টুগী মদ্রাজ মন্দির মনাক দালপটি রোদতগী চালমোই দুনিয়া (৫৩) মপুরোয়বা হসিম অমসুং অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী সোনাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ন্যুটন রাম নগর পার্ট ফোরদগী লৈখিদ্রবা অমিন আলি বরভুইয়াগী মচানুপা মুনিনুর রহমন বরভুইয়ানি।

কেস অসিগী থৌদোক অসিনা জুন ১৯, ২০১৮দা থোকখিবনি। এন এ বি পুলিস ষ্টেসনগী সব ইন্সপেক্টর পি ঐচ বুলবুলনা জুন ২০, ২০১৮গী অয়ুক পুং ৭.৩০ তারকপদা তৌরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না জুন ১৯, ২০১৮গী নুংথিল পুং ৪.০৫ অদুৱাইদা মহাক্লা পুলিস ষ্টেসন অসিদা লৈরিবা মহাক্কী সোর্স মেনশিংগী মনুংদগী অমা লাক্তুনা মঙোন্দা মন্ত্রি পুখ্রিগী বাইফৈ ভেঙদা লৈরবা মোরে ৱার্দ নম্বর ৱান (গাঙম গ্রাউন্দ) মনাক্তগী পাওপু ঙাইতেগী লোয়নবী ইষ্টর বুংহৈনুআ এলিয়জ ইষ্ঠর অমসুং মুং জৌ এলিয়জ অরিক কৌবা মীওই অমা মন্ত্রি পুখ্রিগী বাইফৈ ভেঙদা লৈবা সিয়ানজাথাং (৫৫) অপোকপা গিনজাদল জৌগী য়ূমদা লৈবগা লোয়ননা হিরোইন নম্বর ফোর অমসুং দল্লিয়ু ৱাই (এমফেটামাইন) টেব্লেটশিং ষ্টোক তৌদুনা থল্লে হায়দুনা পাউ পীরখি হায়রি।

পাউ অসি কদাই ফাওবা চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়বগী মতাংদা ভেরিফাই তৌরবা মতুংদা সোর্স মেন অদুগী ষ্টেটমেন্ট অইবা ওইনা রেকোর্দ তৌরগা মদুগী কোপি অমা নাবকী এস পিদা ইনফোর্মেসনগীদমক পীখি। অদুগা পন্থদনা এদিসনেল এস পি টি ঐচ বৃন্দানা লুচিংবা অদুগা কমপ্লেনেন্ট মশামক (সব ইন্সপেক্টর পি ঐচ বুলবুল) অমসুং সোর্স মেন অদু য়াওনা কন্ত্রাবান দ্রগশিং থমজিল্লে হায়রিবা মীওইশিং অদু নাম্থোক্তুনা চেনখিবা য়াবগী খুদোংচাবা ৱাংনা লৈবদগী কম্পিটেন্ট ওথোরিটিদগী সর্চৱারেন্ট/ওথোরাইজেসন য়াওদনা সোর্স মেননা হায়রিবা মফমশিংদুদা চঙশিনখি হায়রি। লোয়ননা মীওই অনী অদুনা লৈবা মফমশিংদা মথং-মথং থি-হুম্বগী থবক চথরকপদা সোর্স মেন অদুনা মুং জৌবু মশক তাকপগা লোয়ননা মহাক্কী য়ূমদা থি-হুম্বগী থবক চথবগা লোয়ননা মহাকপু ৱাহং পাউহং তৌবদা মহাক্লা সিংহাট সব দিভিজনগী মনুং চনবা লুনমুআল ভিলেজদগী থাংমিনলুন জৌ (৩০) অপোকপা চিনসুৱানলং কৌবা হৌজিক্লা গেম ভিলেজ জোন ৱান (লাঙ্গোল) দা লৈবা মীওই অসিদা মহাক্কী মনে ইষ্টর বুংহৈনুআম এলিয়জ ইষ্ঠর (২২) মপুরোয়বা পাউপু ঙাইতেগী খূথাংদা অচৌবা কন্ত্রাবান দ্রগশিংগী কন্সাইনমেন্ট অমা পীখি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি। অদুম ওইনমক থি-হুম্বগী থবক চথবদদি দল্লিয়ু ৱাইনি চিংনবা টেব্লেট ২০০ টেরেজা এলাইজ নেংবোই ঙাইতেগী পিঙ্ক মচুগী বেগ অমদগী রিকোভর তৌখি হায়রি। হায়রিবা দ্রগশিং অসি রিকোভর তৌবা হৌবদগী কেস অসিদা এক্যুইজশিংনি হায়রিবা মীওইশিং অসিগী লৈফমশিংদসু এন এ বিগী টিম অসিনা মথং মথং লেপ্তুনা চথখিবা সর্চ ওপরেসনশিংদা য়াল্লবা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট লিশীং ৮০, হিরোইন নম্বর ফোর কিলোগ্রাম ৪.৫৯৫, হোন্দা এক্টিভা ১ য়াওনা লম্ফেলগী ভি আই পি ক্বার্টর নম্বর ৱানদা লৈখিবা লুখোসৈ জৌ এলিয়জ সেসৈ জৌগী য়ূমদসু চথখিবা থি-হুম্বগী থবকশিংদা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট লাখ ২, শেল ওইনা লুপা ১৩,১৩,০০০, লাইসেন্সকী সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ১, পোইন্ট ৩২গী পিষ্টোল ১ অমসুং মসিগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ২১ অমদি দিমোনিটাইজ তৌখ্রবা লুপা লিশীং ৯৫গী শেনফমশিং রিকোভর তৌই হায়খিবনি।

অদুম ওইনমক ঙসি স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস) কী জজ দল্লিয়ু তোনেন মৈতৈনা লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুনা ফোঙদোকখিবদা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী কেস অসিগী এক্যুইজ নম্বর ৱান ওইরিবী টেরেজাদগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ২০০ সিজিং ওফিসরনা সিজ তৌখি হায়বগী মতাংদা প্রোজিক্যুসননা প্রুভ তৌবা ঙমদে হায়বগা লোয়ননা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী প্রুভ পীবা ঙমদে হায়দুনা ওর্দর অসিদা ফোঙদোক্লিবশিংনা এক্যুইজ নম্বর ৬ ওইনা চার্জ তৌরিবা লুখোসৈ জৌ এলিয়জ সেসৈ জৌদগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট সিজ তৌই হায়বগী প্রুভ তৌবা ঙমদ্রে। এক্যুইজ নম্বর ৫ ওইনা চার্জ তৌরকখিবা লোরেন্স জৌদগী লুপা ৪২,০০,০০০ ফাগৎখি হায়বগী মতাংদসু প্রুভ তৌবা ঙমদবতা নত্তনা লুপা ১৩,১৩,০০০ অমসুং দিমোনিটাইজ তৌরবা শেনফমগী লুপা ৯৫,০০০বু এক্যুইজ নম্বর ৬নি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা লুখোসৈ জৌনা ইলিগেল দ্রগশিং য়োনবগী শেনফমনি হায়বগী মতাংদসু প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী প্রুভ তৌবা ঙমদ্রে হায়খি।

লোয়ননা কেস অসিদগী এক্যুট তৌবদা য়াওরিবা এক্যুইজ নম্বর ১১নি হায়দুনা চার্জ তৌরকখিবা পাউসুৱানলম জৌ এলিয়জ পাউৱি এলিয়জ পপাউ (৩১) অপোকপা গিনজাদল জৌ মোরে ৱার্দ নম্বর টুয়াওনা এক্যুইজ নম্বর ১, ৩, ৫, ৬, ৯ অমসুং ১০না কেস অসিগা মরী লৈননা লৌতুনখি হায়বগী মতাংদসু প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী প্রুভ তৌবা ঙমদ্রে হায়খি।

মরমশিং অসিগা লোয়ননা ঙসি স্পেসল কোর্ট অসিগী ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিদা এন এ বি পুসিল ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জগী ওফিসতা সিরিয়স ইরিগ্যুলরিটি অমা লৈরে। মমাঙথক্তা ইনক্বারি তৌখ্রবসু মসিগী মতাংদা 'ষ্ট্রিক্ট ইনক্বারি' অমা তৌবগী মথৌ তারে হায়খি।

কেস অসিগা মরী লৈননা হিরোইন পাওদর কিলোগ্রাম ৪.৫৯৫ ফাগৎলি হায়খ্রবসু প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী হিরোইন পাওদর কিলোগ্রাম ১.৯১৮ মালখানাদগী পুথোরক্তবগী মরম এক্সপ্লেন তৌবা ঙমদ্রে। মসিদগী কোর্টনা এক্যুইজ নম্বর ৪নি হায়রিবা থাংমিনলুন জৌদগী ফারে হায়রিবা হিরোইনশিং অদু শুপ্নতগী কিলোগ্রাম ২.৬৭৭ খক্তকনি হায়না লৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱাশক লৌমিন্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা অসি থিংনবগী পান্দমদা ঙসি কুম্বী এসিগী মনুংচন্না লৈবা ৱাঙু সবল কম্যুনিটি হোলদা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ গাইদলাইনশিং ঙাক্লা চৎনবা ৱাশক লৌমিন্নখ্রে হায়রি। সেলিন দিজিটেলৈ অমদি এনআর মেদিয়া অনীনা খুৎশম্নদুনা শিনখিবা থৌরম অদুদা ফন্জৌবম লনাজিৎ প্রদ্যুসর সেলিন দিজিটেল, পি বালেশ্বর প্রধান ৱাঙু তেরাখোং গ্রাম পঞ্চায়ট অমদি এল বিনোদ উপ-প্রধান, এম ব্রোজেন জিল্লা পরিষদ অমসুং এনআর রাজেস প্রোপ্রাইটর এনআর মেদিয়ানা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা লনাজিৎনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অদুগা মান্নবা থবক থৌরমশিং মনিপুরগী কেন্দ্র খুদিংমক্তা পাঙথোকহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লমদম অসিগী মীয়াম্না লায়চৎ অসিবু তরাইনা লৌরিবা অসি অফবা খুদম নত্তে। মীয়াম্না মতম পুন্নদা লায়চৎ অসিদগী চেকশিন্না লৈগদবনি হায়খি।

কোভিদ-১৯ লাম্হেংগী সিম্পোজিয়ম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস)ঃ

কোভিদ-১৯ মায়োক্লনবগীদমক নুমিৎ হুমনি চথগদবা ইন্টরনেসনল সিম্পোজিয়ম ওন কম্বেটিং কোভিদ-১৯ ইথনোফার্মাকোলোজি অমসুং ট্রেদিসনেল ফুদ এন্দ মেদিসিন অমসুং সভেন্থ কনভেন্সন ওফ সোসাইটি ফোর ইঠনোফার্মাকোলোজি, ইন্দিয়া হায়বা প্রোগ্রামশিং হৌদোকখ্রে।

ঙসি সিম্পোজিয়ম অমসুং কনভেন্সন অসিবু লোকসভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা হৌদোকখি। ওন লাইনদা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ অয়ুসকী সেক্রেটরি বাইদ্যা রাজেস কোতেচা, দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী ফোর্মর সেক্রেটরি ডা. থিরুমালাচারি রামাসামি, শটিসগড়গী হান্নগী গভর্ণর সেখর দত্তা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসনগী ভাইস চেয়রমেন ডা. বুসন পার্টৱার্ধন, নেসনল মেদিসিনেল প্লান্ট বোর্দকী সী ই ও ডা. জে এল এন সাস্ত্রি, য়ু এস এগী অমেরিকান হরবেল ফারমাকোপিয়াগী প্রসিদেন্ট ডা. রোয় উপতোন, সোসাইটি ফোর ইথনোফারমাকোলোজিগী প্রসিদেন্ট বিরেন্দ্র কে সরকার, সোসাইটি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. সী কে কাতিয়ার, আই বি এস টিগী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজিগী কোওর্দিনেটর সাইন্টিষ্ট এফ ডা. অনামিকা গম্ভির, বোটানিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্টর ডা. অসিহো এ মাও অমসুং সোসাইটি ফোর ইথনোফারমাকোলোজিগী ভাইস প্রসিন্টে ইন্দ্রানিল দাসনচিংবনচিংবা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরম অসি দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজি (গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া) গী মখাদা তাকয়েলপাৎতা লৈরিবা ইন্সটিট্যুট ওফ বাইওরিসোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দেবলপমেন্ট (আই বি এস দি) না সোসাইটি ফোর ইথনোফারমাকোলোজি অমসুং ইন্টরনেসনল সোসাইটি ফোর ইথনোফারমাকোলোজিগা খুৎশম্নদুনা শিনবনি।

সাইন্টিফিক এদভাইজরি মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস) : আই সী এ আর-কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র, চুড়াচান্দপুর, পিয়রসনমুনা শীন্দুনা ঙরাং আই সী এ আর-কে ভি কে চুড়াচান্দপুরগী কনফরেন্স হোলদা ওনলাইন অমসুং ওফলাইন অনীমক্কী খুথাংদা মথৌ তাবা এস ও পিশিং নীংথিনা ঙাক্তুনা সাইন্টিফিক এদভাইজরি কম্মিটি মীটিং পাঙথোকখ্রে। মীফম অদু আই সী এ আর- মণিপুর সেন্টরগী জোইন্ট দিরেক্টর আই এম সিংহনা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং হায়বদি এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচর, এনিমেল হজবেন্দরি, নাবার্দ, এস বি আই আর এস ঈ টি আই, সী এ য়ু, এন ৱাই কেগী ষ্টেচুটরি এস এ সী মেম্বরশিং অমসুং আই সী এ আর-কে ভি কেশিংগী মকোক অমদি সিনিয়র সাইন্টিষ্টশিং অমসুং আই সী এ আর-মণিপুর সেন্টরগী সাইন্টিষ্টশিংনা শরুক য়াখি। চেয়রমেন ডা. আই এম সিংহনা তোঙান-তোঙানবা লাইন দিপার্টমেন্টশিংদগী এস এ সীগী মেম্বর খূদিংমকপু তরাম্না ওকখি।

এম সী এস সী সী (ম্যেন) এগজাম, ২০১৬ ককথৎখিবগী মায়োক্তা ফাইল...

লামায় ১গী মখা... খঙহল্লবা মতুংদা ইনৌ নৌনা পাঙথোক্লবগী অয়াবসু পীখিবনি। অদুম ওইনমক হায় কোর্ট অসিনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী মায়োক্তা মণিপুর লৈঙাক অমসুং এম পি এস সী য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা রিভিয়ু পিটিসনশিং ফাইল তৌনরকখিবনি।

জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী মায়োক্তা রিভিয়ু পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখিবশিংনা রিভিয়ু পিটিসন নম্বর ৩ ওফ ২০২০, মসিগী পিটিস্নরশিংনা ককচীং পাজি লৈকায়দগী য়েংখোম জিবন (৪২) অপোকপা ৱাই নবকিশোর, লাংমৈদোং মনিং লৈকায়দগী নিঙোম্বম রবিচন্দ্র মীতৈ (২৮) অপোকপা এন সুরমনি, জিরিবামগী কালিনগরদগী থিংবাইজম কমলজিৎ (৩৫) অপোকপা হরিমোহোন, মোটবুংদগী এস এল কামখোহাও (৩২) অপোকপা এস এল লেনপাও, উরিপোক সনসম লৈকায়দগী প্রেমানন্দি ওক্রম (৩৩) অপোকপা ও গোবর্ধন অমসুং মোইরাং কম্পু মখা লৈকায়দগী লাইফ্রাকপম থোমসন (৩০) অপোকপা এল ইবোহনবীনি। মখোয়গী রিভিজন পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা এম পি এস সীগী সেক্রেটরি, মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (দি পি), দিরেক্টর (মণিপুর জুদিসল একাদেমি) অমসুং অতোপ্পা মীওই ১৪৪নি।

রিভিজন পিটিসন নম্বর ৪না মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (দি পি) অমসুং চীফ সেক্রেটরিনা রিভিয়ু পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিসন অসিগী প্রিন্সিপাল রেসপোন্দেন্টনা ওইনাম কেনেচি (২৭) অপোকপা ও দেবেন্দ্র, খ্বাই নাগামপাল পাওনম লৈকায়নি অদুগা প্রোফোরমা রেসপোন্দেন্টনা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী সেক্রেটরিনি।

মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর (দি পি) অমসুং কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (রিভেন্যু) না রিভিয়ু পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা রিভিয়ু পিটিসন অদুগী নম্বরনা ৫ ওফ ২০২০নি। পিটিসন অসিগী অপূনবা রেসপোন্দেন্ট ১০২গী মনুংদা ২২না প্রিন্সিপাল রেসপোন্দেন্টশিংনি। অদুগা লেমহৌরিবশিংনা প্রোফোর্মা রেসপোন্দেন্টশিংনি।

রিভিয়ু পিটিসন নম্বর ৬ ওফ ২০২০গী পিটিস্নরশিংনা রিভিয়ু পিটিসন নম্বর ৩ ফাইল তৌখিবা পিটিস্নরশিং অদুনি। অদুগা পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসনগী সেক্রেটরি, কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (দি পি) অমসুং য়ুমলেম্বম সুরজিৎ (৪১) অপোকপা ৱাই কুঞ্জো, কোংবা মখা নান্দেবম লৈকায় য়াওনা রেসপোন্দেন্ট ২৪নি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ওক্টোবর ১৮, ২০১৯দা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না ককথৎখিবা ম্যেন এগজামিনেসন অদুগী মায়োক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি অমসুং চীফ সেক্রেটরিনা লুচিংবা রিভিয়ু পিটিস্নর অনীনা ফাইল তৌরকখিবা অতোপ্পা পিটিসন অদুগী নম্বরনা ৭ ওফ ২০২০নি। মসিগী প্রিন্সিপাল রেসপোন্দেন্টশিংনা লাইশ্রম দেবেন (৩৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল মোহোন, খাঙবোক ময়ায় লৈকায় য়াওনা মীওই ১৯নি। অদুগা প্রোফোর্মা রেসপোন্দেন্টশিংনা মীওই ১৬নি। অতোপ্পা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (দি পি) না পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা রিভিয়ু পিটিসন অদুগী নম্বরনা ৮ ওফ ২০২০নি। মসিগী প্রিন্সিপাল রেসপোন্দেন্টশিংনা সালিনি চিংথাম (৩৩) অপোকপা সী ঐচ বিক্রমজিৎ, ক্বাকৈথেল ময়ায় কোয়বী য়াওনা মীওই ৪৪নি। অদুগা পিটিসন অসিগী প্রোফোর্মা রেসপোন্দেন্টশিংনা মীওই ১০৮নি।

মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা অতোপ্পা রিভিয়ু পিটিসন অমগী নম্বরনা ১০ ওফ ২০২০নি। পিটিসন অসিগী রিভিয়ু পিটিস্নরনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (দি পি) নি। পিটিসন অসিগী প্রিন্সিপাল রেসপোন্দেন্টশিংনা য়ুরেম্বম সুরজিৎ (৪১) অপোকপা ৱাই কুঞ্জো, কোংবা মখা নান্দেবম লৈকায় অমসুং মীওই ২১নি। অদুগা প্রোফোর্মা রেসপোন্দেন্টশিংদনা এম পি এস সীগী সেক্রেটরি অমসুং অতোপ্পা মীওই ৮০নি। অদুগা রিভিজন পিটিসন ৩ অমসুং ৬কী পিটিস্নর ওইখিবশিংনা ফাইল তৌরকখিবা অতোপ্পা রিভিজন পিটিসনশিংগী নম্বরশিংনা ৯ ওফ ২০২০, ১১ ওফ ২০২০ অমসুং ১২ ওফ ২০২০নি। লোয়ননা রিভিয়ু পিটিসনশিং অসিগা মরী লৈননা মিসেলিনস কেস (রিভিয়ু পিটিসন) নম্বর ১৭ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরকখিবা পিটিস্নরশিংনা গ্লোরি চীংথিয়ানকিম এস পি অমসুং অতোপ্পা মীওই ৪নি। পিটিস্নরশিং অসিনা মিসেলিনস কেস অসি মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন অমসুং অতোপ্পা মীওই ১৪৭কী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা রিভিয়ু পিটিসনশিং অসি লৌখৎতুনা খন্নখিবদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল এম রারি, কাউন্সেল জুলিয়স রিয়ামৈ অমসুং কাউন্সেল বি আর শর্ম্মনা মথংশিংনা লেপখি। অদুগা রিভিয়ু পিটিসন পূন্নমক অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল আর এস রৈসং, সিনিয়র কাউন্সেল ৱাই নিরমোলচান্দ, কাউন্সেল আর কে দিপক, কাউন্সেল সাপম বিশ্বাজিৎ মৈতৈ অমসুং কাউন্সেল জি পুস্পানা লেপখি।

মেট্টরশিং অসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিশ খ্বাইরাকপম নোবিন অনীগী দিভিজন বেঞ্চনা লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েলশিং থেঙ্খাং নাইনা চথরক্লবা মতুংদা থা অসিগী ৪ অমসুং ৭তা অরোইবা হিয়ারিংশিং পাঙথোক্লগা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি লাউথোকখি।

দিভিজন বেঞ্চ অসিনা পীখিবা পূন্না লমাই ১০৬ পানবা ওর্দরগী মতুংইন্না ফাইল তৌরক্লিবা রিভিয়ু পিটিসনশিং অসিদা মেরিট য়াওদে হায়বগী ৱায়েল পীরদুনা দিসমিস তৌরে হায়খি।

পনবা য়াবদি, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা ম্যেন এগজামিনেসন অসিবু ককথৎখিবা ওর্দর অদুগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা স্পেসল লিভ পিটিসন (এস এল পি) শিং ফাইল তৌনরুবসু লৈখ্রবনি। অদুবু এস এল পিশিং অদু লৈবাক অসিগী এপেক্স কোর্ট অসিনা লোইনমক দিসমিস তৌরকখিবনি। অমরোমদনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ম্যেন এগজামিনেসন অদুবু ককথৎলগা চৎনহন্দবগা লোয়ননা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না পরিক্ষা অদুবু শীনখিবা ওথোরিটিশিংগী মথক্তা থিজিন্নবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) দা খঙহনখিবনি। হায় কোর্টকী দিরেক্সন অসিগী মতুংইন্না ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অসিনা চৎলিবা কুমজা অসিগী জন্যুৱারী ৩১দা ৱাথোক ওইখিবা এগজামিনেসন অদু কন্দক্ট তৌখিবশিংগী মথক্তা কেস এফ আই আর নম্বর আর সী -২ (এ) ২০২০ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রবনি। পরিক্ষা অদুদা শরুক য়াখিবা কেন্দিদেটশিংগী অন্সরসীট পূন্না ৪,৫৬৭ কেস অদুগা মরী লৈননা সী বি আইনা সিজ তৌখ্রবনি।

পেসেন্ট মশিং হন্থরকপদগী...

লামায় ১গী মখা... তৌবগী থবক দিসেম্বর ১৮দগী লেপ্পগনি হায়না হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ভি ভুমলুনমাংনা থোকপা ওর্দর অমনা হায়রি।

ওর্দর অদুনা মখা তানা হায়, এয়রপোর্টতা থুংলবা পেসেঞ্জরশিং টেষ্ট তৌবগী থবক লেপ্পবসু থর্মেল স্ক্রিনিংগী থবক্তি হান্নগুম মখা তানা চথখিগনি। লায়ওংউৎপা মীওইশিং থেংনরবদি টেষ্ট তৌগনি। লোয়ননা ত্রাভেল হিষ্ট্রিদা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবশিংগা লোয়নরুবশিংসু টেষ্ট তৌগনি। ৱাফমশিং অসি হৌখিবা দিসেম্বর ১৪ দা পাঙথোকখিবা কোভিদ টাস্ক ফোর্সকী মীফমনা ফিরেপ লৌখিবনি হায়নসু ওর্দর অদুদা পল্লি।

অহুম লৈখিদ্রে, কেস ৮১ ...

লামায় ১গী মখা... চুড়াচান্দপুরদগী ৩ য়াওরি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওই খূদিংমক মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। মীওইশিং অসিগী মথৌ তাবা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে।

নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ২৭,৪৫৪ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৪,১৩০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩৩২৪ নি। পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ২৫,২৫০ য়ৌরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২২,১৩২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩১১৮নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯১.৯৭ য়ৌরে। অদুগা কেস ১৮৭২ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১৬৭০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২০২ নি। লোয়ননা মীওই ১৪৩ সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।